

# মনালৈবাক স্পোর্টস





*ন্যুজিলেন্দগী বেটসমেন এন্দরসননা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ও দি য়াইদা ফোর ট্রাই তৌদুনা বোল য়ৈখিবা*

*সোচি ওলেম্পিক্তা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা জর্ম্মনিগী মারিয়ানা মেদল উত্তুনা হরাওবা ফোঙখিবা*

## কানাদানা গোল্ড ৪ লৌদুনা মকোক্তা লৈখ্রে



*সোচি, ফেব্রুৱারী ১১ঃ*

ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংগী মেদল সেরেমোনি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ঙরাং ফাওবদা নোর্ৱেনা গোল্ড ২ য়াওরগা পুন্না মেদল ৭ লৌদুনা টোপ ওইনা চৎলম্বা অদু ঙসিগী মেদল সেরেমোনি মতুংদা কনাদানা গোল্ড ৪, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ২ য়াওরগা পুন্না মেদল ৯ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে।

অমরোমদা ঙরাং ৭ শুবা পোজিসন্দা লৈখিবা নেদরলেন্দসনা গোল্ড ৩, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পুন্না মেদল ৭ ফংদুনা অনীশুবদা লৈবা ঙমখ্রে। ঙরাং মকোক্তা লৈখিবা নোর্ৱেনা ঙসি অহুমশুবদা লৈখ্রে। লৈবাক অসিগী মখা তাবা মেদল লৌবগী পাউ লাক্ত্রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী স্প্রিন্ট ফাইনেলদা নোর্ৱেগী মাইকেন কেসপরসেন ফল্লা অমদি ইগবিলদ ফ্রুগস্টৈদ ওক্সবরদনা নুপীগী কোচ কন্ত্রি অসিদা ফার্স্ট, সেকেন্দ তাবগা লোয়ননা গোর্ল্ড অমদি সিলভর মেদল লৌখ্রে। মখোয়গা লোয়ননা স্লোভেনিয়াগী বেসনর ফাবজাননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। হন্দক্কি নুপীগী স্প্রিন্ট ফাইনেল অসিদা মেদল লৌখিবা শান্নরোই অহুমক অসিনা ওলেম্পিক্তা অহানবা ওইনা মেদল লৌখিবা ঙাক্তনি।

কম্পিটিসন অদুগী ফাইনেল রাউন্দ পাঙথোক্নবগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা য়ু এস এগী কিকান্ট রান্দালনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অদুগা নোর্ৱেগী মারিট বিজোর্জেননা সেমি ফাইনেলদা লৈহৌখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মেদল সেরেমোনি ৮ পাঙথোকখি মসিদা বুমেন্সকি বাইথোলোন্দ পরস্যুটতা স্লোভেকিয়াগী এনাষ্টেসিয়া কুসমিনানা মেদল হঙ্গর ওইরিবা ওলগা ভিলু খিনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মহাক নত্তবা অতোপ্পা শান্নরোই অমা ওইখিবা গোল্ড মেদল তান্নরকখিবা যুক্রেনগী ভিটা সেমেরেনকোসু অমনি। মশান্না অসিদা মহাক্না থার্দ তাবা ঙমখি। মহাক নত্তবা অতোপ্পা শান্নরোই দেরয়া দোমাচেভা কৌবা ভেলারুসকি শান্নরোই, নোর্ৱেগী টোরা বেজর অমদি ইটালিগী করিন ওবের হোফরনচিংবা কয়াসু মেদলগী কন্টেস অসিদা শরুক য়াখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা নুপাগী পরস্যুট দেমোন্সট্রেসন্দা সোচিগী হোষ্ট টিম ওইরিবশিংনা রন্নিং ষ্টিট অমদি সিটিংগী ইম্পোর্টেন্সতা হেন্না পীদুনা হোৎনখি। অদুমওইনমক মেদল অসি ইন্দিভ্যুজিএল ইভেন্টকি ওইনা ভেনকোভরদা পাঙথোকখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা অদুগা গোল্ড মেদল অহুমলক ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মার্টিন বিজোরজেননা ফংখি।

অতোপ্পা স্কিইংগী মেদল অদুনা আমেরিকাগী কিকান রান্দাল, মাইকেল কেস্পরসেন ফেল অমদি নোর্ৱেগী ইকভেন্ট ফালগুষ্টতান্না চিংবা কয়া অমগা লোয়ননা পোলন্দগী জষ্টিনা কোৱাল চেক্নাচিংবা শান্নরোইশিং য়াওখি।

নুপাগী বেষ্ট ইন্দিভ্যুজিএল স্পিটতা ভেনকোভর ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইখিবা লোয়ননা ইং ২০১৩ গী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখিবা নিকিতা টিরুকোপনা ফংখি। মহাক্না পিটর নোরথুংসপু হান্ননা মায়থীবা পীরমখি। মশান্না অসিদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা নুপাগী শান্নরোইশিং অদুদি এলেক্সি, পেটুকোভ অমদি ইমিল জোন্সন য়াওরি। মহাক্তা নত্তনা স্বিদেন্দগী টিওদোর পেটরসন্না চিংবা শান্নরোই কয়া অদুসু য়াওখি।

| Rank | Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Canada | 4 | 3 | 2 | 9 |
| 2 | Netherlands | 3 | 2 | 2 | 7 |
| 3 | Norway | 2 | 1 | 4 | 7 |
| 4 | United States | 2 | 1 | 3 | 6 |
| 5 | Germany | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 6 | Russian Fed. | 1 | 2 | 3 | 6 |
| 7 | Austria | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 8 | France | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 9 | Poland | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 9 | Slovakia | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 9 | Switzerland | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 12 | Czech Republic | 0 | 2 | 1 | 3 |
| 13 | Sweden | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 14 | Italy | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 15 | China | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 15 | Finland | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 15 | Slovenia | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 18 | Great Britain | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 18 | Ukraine | 0 | 0 | 1 | 1 |

## আই ও সিনা আই ও এগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবশিং হন্দোকখ্রে



*ন্যু দিল্লী, ফেব্রুৱারী ১১ঃ*

চহী অমরোম হেন্না ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন (আই ও এ) গী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবা অদু লৌথোকখ্রে।

আই ও সিনা আই ও এগী মথক্তা থা ১৪ গী অথিংবা থল্লম্বা অদু হন্দক্তা আই ও এগী অনৌবা মীখল পাঙথোক্তুনা ৱার্ল্ড ইষ্টক্লাস ফেদরেসনগী চীফ ওইরিবা অমদি বি সি সি আইগী লুচিংবা এন শ্রীনিবাসনগী মনাওনুপা এন রমাচন্দ্রনবু আই ও এগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনবদগী আই ও সিনা থল্লম্বা অথিংবা অদু লৌথোকখিবনি হায়না আই ও সিগী মচিন চৎপা অমনা টেলিফোন্দা নৌনা আই ও এগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা খল্লবা রজিব মহেতাদা ফোঙদোরকখি হায়রি।

রজিব মহেতানা মখা তারদুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী ইলেক্সন অদুদা আই ও সিগী মীহুৎ অহুম ওবজাভর ওইনা লাক্লম্মী। মখোয়না ইলেক্সন লোইদুনা হনখ্রবা মতুংদা এন রামচন্দ্রনবু অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লে হায়বগী রিপোর্ট অদু ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিদা পীশিল্লবা মতুংদা ফীরেপ অসি লৌরকখিবনি হায়রি।

আই ও সিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা জেরোমী পোইভিনা আই ও এগী নৌনা শেমদোক্লবা কন্সটিট্যুসন অসিনা ৱার্ল্ডদা খ্বাইদগী অফবা অমা ওইরক্কনি। মসি মপুং ফানা চৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

অমরোমদা ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিয়েসনগী চীফ ওইরিবা অনিল খানা অসিবু হন্দক্কি ইলেক্সন অদুদা ট্রেজরর ওইনা খনখ্রে। মহাক্না পায়রিবা ফম অসি হান্ননা করপসনগী দার্গ লৈরবা অভাই সিংহ চৌটালা অমদি ললিত ভনোটনা পায়রম্বনি।

মখোয়না পায়রিঙৈ মতম হায়বদি হৌখিবা চহী ২০১২ গী দিসেম্বর ৪ দগী ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক কম্মিটিদা গভর্ণমেন্টকি স্পোর্টস কোট কয়াদা শেঙ্গা থুমজা চেন্নবা মীওইশিং হাপচিল্লি হায়দুনা অথিংবা থল্লকখিবনি।

ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী ভোট পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাংলিঙৈগী মমাঙদা চৌটালা অমদি মহাক্কী টিমদা য়াওরিবা ওফিস বিয়াররশিং অসিবু অনৌবা ইলেক্সন অসিদা মীরেপ ওইরবসু কাহল্লক্তনবা হায়রকখিবা লৈখ্রে।


মসিগা লোয়ননা আই ও এগী কাঙবু অমদি আই ও সিগী কাঙবু য়াওনা সরকারগী মীহুৎ অমগা লোয়ননা মিটিং অমা পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়াগী অচৌবা শান্নবগী ভোদি অমা ওইরিবসি ওলেম্পিক্কি করেক্টরদা হঞ্জিল্লক্নবা ৱাফম কয়া খন্নখিবসু লৈখি।

মে ১৫ দা পাঙথোকখিবা আই ও এগী মিটিং অদুদা স্বিজরলেন্দদগী লাকখিবা আই ও সিগী মীহুৎ লৌসানে অমদি মিনিষ্টর জিটেন্দ্র সিংহ য়াওনা বৈজিং ওলেম্পিক্তা সুটিংদা গোল্ড মেদল ফংলকখিবা সুটর অভিনাব বিন্দরসু শরুক য়াখি।

মিটিং অদুদা আই ও সিনা অনৌবা আই ও এগী থবক থৌরাং পায়খৎনবা কয়াৎ কয়া থোক্না খন্না নৈনবগা লোয়ননা আই ও এদা হৌজিক লৈরিবা কন্সটিট্যুসন অসি জুলাই ১৫ দগী হৌরগা সেপ্টেম্বর ১ ফাওবদা হান্না লৈরিবা ওফিস বিয়াররশিং অসি শিন্দোক্নবা হোৎননবা মতম পীরকখি।

মমাঙ চহীগী আগষ্ট ১৫ দা ৱার্ল্ডগী বোদি অসিনা য়েংশিন্দুনা আই ও এদা লৈরিবা দার্গ লৈরবা মীওইশিং অসি মতম শাংনা লৈতনবা আই ও এগী ইলেক্সন্দা কন্টেস তৌবা য়াদনবা কয়া খন্নখি।

## য়ুবরাজ সিংহ ৱার্ল্ড টি–২০ দা য়াওরগনি ইসান্ট দ্রোপ তৌরগনি



*বেঙ্গলোর, ফেব্রুৱারী ১১ঃ*

ইন্দিয়াগী ওল রাউন্দর য়ুবরাজ সিংহবু ৱান দে ইন্টর্নেসনেল টিমদা মিদল ওভরদা য়াওন্নবা খনবগা লোয়ননা মার্চকি ১৬ তগী এপ্রিলগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টি–২০ ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা য়াওন্নবা খনখ্রে। অদুগা ইসান্ট শর্ম্মবু দোপ তৌখ্রে।

বঙ্গাদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ টি–২০ অমদি এসিয়ন কপতা ইন্দিয়াগী পিচর ইসান্ট শর্ম্মবু ঙসি লৌথোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী বেটসমেন সুরেস রাইনাবু ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচকি টিমদগী লৌথোকখ্রে।

এসিয়ন কপ অসিদা টেষ্টতা স্পিসিয়েলিষ্ট ওইরিবা চিত্রেশ্বর পুজারাবু ইন্দিয়াগী টিমদা হাপ্তুনা বঙ্গলাদেশতা ফেব্রুৱারী ২৫ দগী মার্চ ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন কপ টি–২০ দা শরুক য়াগদৌরি।

রোকি পিচর ঈশ্বর পান্দে ওল রাউন্দর সৌরট বেন্নি অমসুং ফার্ষ্ট বোল্লর ভরুন অরোননচিংবা শান্নরোইশিংদি ৱান দেগী টিমদা অদুমক হাপ্ল হায়না বি সি আইগী সেক্রেটরি সঞ্জয় পটেলনা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্রেটরি অসিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদা ইন্দিয়াগী ওপনর ওইরিবা গৌতম গম্ভির অমদি অহল ওইরবা ওপ স্পিন্নর হরবজন সিংহগী মতাঙদা ইরানি ট্রোফি অসিদা শরুক য়ানবগী খন্নবদা মখোয় অনীগী ৱাফমদি থোইদোক্না ফোঙদোকখিবা লৈতে।

বি সি সি আইগী নৌনা থোরক্লিবা ৱাফম অসিদা খ্বাইদগী হেন্না নিংবা কায়খিবদি ইসান্ট শর্ম্মনি। মহাকপু করি মরমগীদমক্তা ওভর মশীং কল্লা শান্নগদৌরিবা ক্রিকেটকি ফোর্মেট অসিদগী লৌথোক্লিবনো হায়না ইন্দিয়াগী টিমগী মীওইশিং অমদি কেপ্টেন ওইরিবা মহেন্দ্র ধোনিনা টিমগী পুক্লিং চিংশিন্দুনা নুঙাইথবা ফোঙখি।

মসিদা নত্তনা লেফট হেন্দেট ওইরিবা বেটসমেন সুরেস রাইনাবু করি মরমগীদমক লৌথোক্লিবনো হায়বগী মতাঙদসু টিম অসিনা চম্মনবা ফাওখি। মহাক লৌথোকপগী মরম অসি হন্দক ইন্দিয়ানা ন্যুজিলেন্দদা টুর চত্তুনা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচ ৫ শন্নবদা হোষ্ট টিমগী মখুত্তা ৪–০ দা মায়থীখিবা অমদি জিম্বাৱেদা চত্তুনা শান্নখিবা ৱান দে অদু থারগা ৱান দে মেটচ ২৪ দা মহাক্না শুপ্নগী হাফ সেঞ্চুরি য়ৌখিবা অসিগীদমক মহাকপু দ্রোপ তৌরগা টেষ্টতা রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা পুজারাবু হাপলকখিবা ওইরম্বা য়াই।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী টোপ ওর্দরগী মতুং ইন্না ন্যুজিলেন্দগী টুরদা মায়থীবা নঙখিবা অসিদগী অহোংবা কয়া অসি লাকখিবনি হায়বা য়াই। অদুমওইনমক ওফ স্পিন্নর রবিচন্দ্র অশ্বনিদি ও দি আই অমসুং টি–২০ গী টিমদা অদুমক য়াওগদৌরি।

বি সি সি আইনা নৌনা থোরকপা ইন্দিয়া টিমগী আই সি সি ৱার্ল্ড টি–২০ দা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অমদি এসিয়ন কপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

আই সি সি ৱার্ল্ড টি–২০ দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুদি মহেন্দ্র সিংহ ধোনি (সি), সেখর ধৱন, রোহিট শর্ম্ম, বিরাট কোহলি, সুরেস রাইনা, য়ুবরাজ সিংহ, অঞ্জিকা রাহনে, রবিন্দ জাদেজা, আর অশ্বিনি, ভুবনেশ্বর কুমার, মহমদ সমি, সৌরট বিনি, অমিট মিশ্র, মোহিট শর্ম্ম, বরুন অরোননি।

এসিয়ন কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটরশিং অদুদি মহেন্দ্র সিংহ ধোনি (সি), সেখর ধৱন, রোহিট শর্ম্ম, বিহরাট কোহলি, চিটেশ্বর পুজারা, অম্বাটি রয়ুদু, অঞ্জিকা রাহনে, রবিন্দ জাদেজা, আর অশ্বিনি, ভুবনেশ্বর কুমার, মহমদ শামি, বরুন অরোন, য়ৌরট বিনি, অমিট মিশ্র অমদি ঈশ্বর পান্দেনি।

## ভেনসকী হৌখ্রবা মায় পাকপশিং নীংশিংখ্রে



*দোহা, ফেব্রুৱারী ১১ঃ*

ভেনস ৱিল্লিয়ম্না ৱার্ল্ড টি এ সিজন ওইনা চহী ৬ কি মমাঙদা কটার ওপনদা মায় পাকখিবা কয়া অদুবু নৌনা নীংশিংদুনা মহাক্কী হৌখ্রবা পুন্সিদা মায় পাকখিবা কয়াবু নৌহৌনা নীংশিংখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবী গ্রান্সলাম টাইটল ৭ লক লৌখ্রবী শান্নরোই অসিনা পেট্র মাট্রিকতগী মায় পাকপা ঙমখি। মাট্রিক অসি ক্রোসিয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদগী অনীশুবা গ্রান্সলামগী টুর্নামেন্টতা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবা শান্নরোই অমা ওইখি।

ভেনস ৱিল্লিয়ম্না ক্রোসিয়াগী শান্নরোই অসিবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থীবা পীখি। মসিগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা টুর্নামেন্ট কয়া পুল্লগা ভেনসনা চাউনা মায় পাকখিবসি ১৫ রকতমক ঙাইরি। মসিগী মনুংদা ৭ অমদি গ্রান্সলামগী টাইটলনি। মহাক্না গ্রাউন্দগী ফীভম থোইদোক্না খল্লুবা লৈতনা নীংথিনা শান্নখি।

শান্নরোই অসিনা মহাক্কী ফার্ষ্ট সার্ভিস অসি থোইনা পামখিদে। অদুবু মদুনা মরম ওইরগা ওপোনেন্ট শান্নরোইনা হল্লকপা অদুদা হাফ ভোল্লি থাদদুনা পোইন্ট লৌখিবনা অয়াম্বনি।

মায় পাকপশিং অসিদা মহাক্না দোহাগী মীয়াম্বু থাগৎপা ওইনা মরুভুমিগী লমদা শান্নবা মশান্না অমা ওইরগসু য়াম্না কা হেন্না নুংশাগী মৈশা লৈত্রবা মতমদা শান্নবা অসিনা মঙোন্দা নুঙাইবা অমা ফাওই। লোয়ননা মহাক্না বোল হুনগত্তুনা সার্ভিস তৌবদা ফোল্ট ওইবা কয়া য়াওদবা অসিদা মহাক মশা অসি হৌজিকসু টোপ লেভেলগী শান্নরোই অমা ওইরি হায়না ফোঙদোকখি।

হন্দক্কি চয়োল অসিদা মহাক্না মায় পাক্কনি হায়বা ৱাফমসু ৱিল্লিয়ম্না ফোঙদোকখি। চহী অনীগী মমাঙদা মহাক মশা হান্নগুম্না ফরিঙৈ মতম অদুদা মহাক অসি ৱার্ল্ডগী টোপ ২০ গী মনুংদা লৈবা শান্নরোই অমা ওইরম্মী।

ঙসিগী মেটচ অদুদা ৱিল্লিয়ম্না অহানবা সেট অমদি অনীশুবা সেটকি অহানবদগী মরিশুবা গেমশিং অদু মহাক্না মায় পাকপা ঙমখি। লোয়ননা মহাক্কী ওপোনেন্ট শান্নরোই অমা ওইরিবা মার্টিকনা সেট অনী অদুদা শুপ্নগী গেম ২–২ খক্তমক মায় পাকপা ঙমখি অমসুং মহাক্না ষ্ট্রেট সেটতা শান্নরোই অসিবু মায়থীবা পীবা ঙমখি।

## চাইনিজশিংবু তোঙান্না য়েংবীরি হায়না লী নানা ফোঙখ্রে



*দোহা, ফেব্রুৱারী ১১ঃ*

পৃথিবীদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী তোঙান তোঙনবা মীওইশিংনা চাইনিজশিংবু তোঙান্না য়েংবীরি হায়না হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবগা লোয়ননা গ্রান্সলামগী টাইটল অনীরক ফংখ্রবী চাইনিজকি টেনিস শান্নরোই লী নানা পেন্দবা ফোঙখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা কাটা ওপন অসিদা মহাক্না মায় পাক্নবা শোইদনমক হোৎনগনি। মহাক্না মশান্না অসিদা শান্নবা হৌরকপদগী ঙসি ফাওবদা তোঙানবা মীৎয়েং অমদা য়েংলি হায়না ফোঙলদুনা অহানবা ওইনা টেনিস মশান্নদা য়াওরকপদা মীওইশিংনা ঙাঙনবা কয়া মহাক্না তাখি।

মতম অদুদা মখোয়না মহাক অসি চাইনিজনি মাবু মায়থীবা পীবা অসিদি য়াম্না লায় হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙনখি। মেলবোনগী মতুংদা মহাক্না কাটার ওপন অসিগী অহানবা ওইনা হয়েং শান্নগনি।

হৌজিক্তি মীয়াম্না মহাক্কী শান্নবা মওং অসি খঙলবা মতুংদা মহাক্না মতৌ করম্না শান্নবগে হায়বসি খঙন্নবা কন্না হোৎনরক্লি। মহাক কনানো, মহাক্কী থবক অসি করম্বনো হায়না থিগৎপা হৌনরে হায়নসু ফোঙখি।

মহাক্কী মরমদা মীওই কয়ানা হৌজিক অফবা অমসুং ফত্তবগী মরমদা ঙাঙনৈ মসিদা মহাক্না করিসু খল্লুবা লৈতে। মহাক্না মহাক্কী শান্নরিবা অদুদা পুক্লিং চঙদুনা করম্বা মফমদা বোল থাদদুনা পোইন্ট লৌগদগে হায়বা অসি মহাক্না খন্দুনা লৈখি হায়না থমখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক অসি মঙোন্দা মশা মথন্তা তোঙান তোঙানবা ৱাখল কয়া অমা খল্লি মদুদি মহাক অসি গ্রান্সলাম অনীরক লৌরগসু অচম্বা প্লেয়র অমগুম্না মেটচ য়েংবা লাকখিবা এক্সপেক্টরশিংনা উবিবা অসিনি।

অদুম ওইনমক বেলবোন্দা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অদুদা মহাক্না মায় পাক্তুনা গ্রন্সলাম টাইটল লৌবা ঙমখিবদা মীওই কয়া অমনা মহাকপু থাগৎপীরকখিবা অদুবুসু নুঙাইবা ফাওই হায়না লী নানা মখা তাখি।

হৌজিক চথরিবা কটার ওপন অসিদা লী নানা ওপন অসি মায় পাক্না লৌনবগীদমক কন্না হোৎনরি অমসুং টুর্নামেন্ট কয়া লৌদুনা মহাক্না হৌজিক লৈরিবা ৱার্ল্ডগী রেঙ্কিং অসিদগী ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইনবা হোৎনগনি হায়খি।